## ককচীং পুলিস...

*লামায় ১গী মখা...* মখাদা এদিসনেল এস পি (ওপস) বিনোয় চোংথামগী মীৎয়েং মখাদা ককচীং কম্মান্দোগী সুবেদার কে এস ঐচ প্রকাসনা হেদ কন্সটেবল এল রোহিটকী মতেংগা লোয়ননা লাইমঙাই চীংজিনগী সী দি ও চ্যেক পোষ্টতা অচৎ অওকশিং খামদুনা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথরিঙৈদা মারুটি সুজুকি (ব্রেজা) এম এন ০২/বি-১০৯৫ খামদুনা চ্যেক তৌবদা গাড়ী অসিগী থাও টেঙ্কি অমসুং য়েৎ থংবা নাকলগী পেনেল মখাদা দ্রগশিং অসি সাপোন কেপ ৮৯দা হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। ফাগৎলবা মীওইশিং অমদি দ্রগশিং ককচীং পি এসতা শিন্নখ্রে হায়রি।

## লৈঙাক্কা এস পি...

*লামায় ১গী মখা...* শিজিন্নগদগে হায়বগী মতাংদসু চপ চাবা মরমশিং পুথোকপা ঙল্লগনি। ইম্ফাল সিটিগী ওইনদি জি আই এস অসি লাক্লিবা কুমজা ২০৪১ ফাওবগী ওইনা লৈহনখ্রে।

চীংগী ওইনা জি আই এস লৈহনগদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিং অদুদি চান্দেল, চুরচান্দপুর, কামজোং, কাংপোকপী, নোনে, ফেরজোল, সেনাপতি, তমেংলোং অমসুং উখ্রুলনি। অদুগা তম্পাক্কী ওইনা বিষ্ণুপুর, জিরিবাম, ককচিং অমৈসুং থৌবালনি হায়রি।

ঙসিগী খুৎয়েক পীনবা অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী এন বেঞ্জু, চীফ টাউন প্লান্নর, টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্ট গভর্নমেন্ট ওফ মানিপুর অমদি স্কুল ওফ প্লান্নিং এন্দ অর্কিটেকচর ভোপালগী মায়কৈদগীনা ইন্সটিট্যুট অসিগী দিরেক্টর ডা. সিধারননা খুৎয়েক পীখি।

### অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৩.০৪°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৫.৯৯°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ১২.২৯
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৬

### FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 82.128209 |
| US Dollar | 77.974234 |
| British Pound | 95.485287 |
| Australian Dollar | 54.518252 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.659181 |
| Japanese Yen | 0.578471 |
| Malaysian Ringgit | 17.714081 |
| Singapore Dollar | 56.229981 |
| South Korean Won | 0.060339 |
| Saudi Arabian Riyal | 20.793129 |
| Thai Baht | 2.209273 |

### GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL**
**BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
Booking Upto11/04/22
Valid from02/04/2022
Stock 306 nos.
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

**TDK GAS**
**BK UPTO 21/04/22.**
VF. 19/04/22.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

**TANGLEI GAS OINAM**
V/f- 08-06-22
**B/upto - 11-06-22**
**Stock 306**
7am to 10am

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO DATE**
Time: 09 am to 12 pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883

**CANCHI INDANE SERVICE**
**BOOKING UPTO 11/06/2022**
VALID FROM NIL
14kg,19kg & 5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
KWAKEITHEL 6009600531
NAOREM LEIKAI 9863763938 & 7005352782
CONTACT TIMING 08.00 to 10.00am

**M/S MISAO GAS SERVICE**
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM..

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837.

## কানিগা কোন্ননা ৩ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) : ঙসি অয়ূক অঙনবদা ফংবা পাউগী মতুংইন্না বিষ্ণুপুর কম্মান্দোগী ও সীনা লুচিংবা টিম অমনা পি এসকী গেটতা টাটা ৱিঙ্গর এম এন -০৫/সী-০৮৯৯ চ্যেক তৌবদা মীওই ৩দগী শেল ওইনা লুপা ১৯,৮৪০গা কানি কিলোগ্রাম ১১.০৩গা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবশিংনা নৈখোলহিং হাওলাই (৫৫), নিংজালম হংসিং (৪৯) অমসুং হেকিম হংসিং (৪৭) কৌবী নুপীশিংনি হায়রি।

## ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২০ (ঐচ এন এস) : নালসাগী মীৎয়েং মখাদা দি এল এস এ, থৌবাল অমদি মসলসানা পূন্না শিন্দুনা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল, শজিৱাগী অন্দর ট্রাইএল অমদি কনভিক্টিশিংগী ওইবা ফ্রী লিগেল এইদকী মতাংদা ইন্টরেক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা দি এল এস এ অসিগী চ্যেরমেন বিনি ঙাঙোম, সেক্রেটরি বিনেশ্বরি মাইবম, সী জে এম, থৌবাল শান্ত অথোকপম অমদি জে এম এফ সী নেমখোলম লুংদিমসু শরুক য়াখি হায়রি।

## কৈবুল লমজাওগী ফীভম নোংম-নোংমগী ...

*লামায় ১গী মখা...* শীজিন্নরে হায়রদুনা মণিপুরগী শকয়েং মিংশেলনি হায়রিবা পাৎ অসিগী মনুং চন্না লৈরিবা কৈবুল লমজাওগী ফীভমসু নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি হায়খি।

কৈবুল লমজাও অসি নেসনল পার্ক ওইনা লাউথোক্ত্রিঙৈদা মসিগী মনুংদা লৈরিবা য়াংবিদা ঈশিংদা হৌবা পান্বীশিং অমদি ঙা মখল কয়া ফংবনা অকোয়বগী খুঞ্জাশিংগী পুকচাক ওইনরম্মী। ঙল্লিঙৈ মতমদদি ফোরেষ্টকী ওফিসলশিং কৈবুল লমজাওদা লাকপদা খুঞ্জাশিংনা থিংবদগী পামদবা থৌদোক ফাওবা থোকখি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৮০দা শাখিবা ইথাই দাম অসিসু মরম চাদে হায়রদুনা মসিনা মরম ওইদুনা লোক্তাক পাৎতা ফংলম্বা পান্বীশিং অমদি থৱায় পানবশিং মাঙশিল্লক্লে হায়খি।

## কৈবুল লমজাওদা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মপূং ওইবা...

*লামায় ১গী মখা...*ওফিসলশিংনা পুকচেল শেংনা মথৌ পাঙথোরকপদগী মণিপুরী খুন্নাই চাওখৎ লন্বীরোমদা পুশিল্লক্লে হায়খি।

নোংজু থাগী মতমদা লন্বীশিংগী ফীভম শোকচিল্লকপগী মতাংদা পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা থৌদোক অসি লম খোপচিদুনা ঈরম নালাশিং ফুন্নজিল্লকপা অমসুং মশাগী থৌদাং খঙদবা মীওই খরনা মফম অয়াম্বদা ইরম খোংলমশিংগী মথক্তা শাজিন-খোৎচিনবগী থবক চখুরকপদগীনি হায়খি। মরম অসিনা রিজার্ভ ফোরেষ্টকী লম অমসুং তুরেল মপান্দা লম খোপচিল্লম্বশিং তুংগী মীরোলগীদমক য়েংলদুনা পাক্তক্লনা তকথোকপা হৌরক্লিবনা লম খোপচিনবশিংগী মথক্তসু মরী লৈনবা ওফিসলশিংনা অকনবা থবক লৌখৎকদবনি। মণিপুর অসি মায়কৈ মরিদা কংফালগী শরুক্লা ইকোয় কোয়শিনবনা ঐখোয়গী লৌবুকশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বগা লোয়ননা ঐখোয়না শীজিন্নবা কোন্ননবা চাথোক হেনগৎহনগদবনি হায়খি।

ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং চাওখৎনবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরনা হন্দক্কী সঙাই ফেষ্টিবেল ২০২২গী মপূং ওইবা থৌরম মফম কৈবুল লমজাওদা ওইনবগীদমক ইথনিক পার্ক অমা শাগৎপা হৌরে হায়খি। মসিদা কাঙলূপ ফুরুপশিংগী মহুৎ শিনবা য়ূমশিং য়াওগনি হায়খি।

অদুগা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা চাওখৎ থৌরাংশিংদা মীয়াম্নসু মতেং পাংবীয়ু হায়দুনা আপীল তৌখিবগা লোয়ননা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী খোঙচৎতা য়ূম্ফম ওইবা অতেনবা দোক্যুমেন্টরি অমসু থৌরমগী মনুং চন্না উৎখি।

## ভেন ড্রাইভর চহী ১০গী ফাদোক পীখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...* মহাক চহী য়াম্না নৌরিবা মীওইনি অমসুং মমাঙথক্তা মহাক্কী ক্রিমিনেল রেকোর্দ অমত্তা লৈতে। মরম অদুনা মঙোন্দা খ্বাইদগী য়াংবা চৈরাক পীবিয়ু হায়জখি।

অদুম ওইনমক কোর্ট অসিগী স্পেসল পি পি, এম বিশমভোর অমসুং ভিক্টিম নুপীমচা অসিগী মায়কৈদা লেপখিবা শীংজমৈ চীংঙামথক্তগী এদভোকেট নোংমাইথেম সসিকান্তসু ঙসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিংদা শরুক য়াখি। লোয়ননা স্পেসল পি পিগী মায়কৈদগীনা ভিক্টিম ওইহৌরবী নুপীমচা অদু চহী য়াম্না নৌরিবগী মথক্তা মহৈ-মশীন তম্বা হৌবদা ঙাইরিবনিনা মঙোন্দা মরালগী মতুংইন্না পীফম থোকপা চৈরাক পীবিনবা হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা ভেন ড্রাইভর অদুবু পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৬কী মখাদা চহী ১০ ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা লুপা লিশীং ১০গী শেনফম ফাইন ওইনা পীননবা খঙহনখি। করিগুম্বা ফাইনগী শেনফম অসি মহাক্না পীবা ঙমদ্রগদি মহাক্কী ফাদোক্কী মতম থা ৩ শাংদোক্কনি হায়খি।

অদুবু কেস অসিগা মরী লৈননা মহাক এপ্রিল ৪, ২০১৮দা ফারগা ফেব্রুৱারী ১৮, ২০১৯ ফাওবা হায়বদি থা ১০গা নুমিৎ ১৪নি জেলদা লৈখিবা মতম অদুদি ফাদোক্কী মতম অসিদগী ককথরগা হৌজিক মহাক চহী ৯গা থা ১ নুমিৎ ১৬নি হায়বদি ওগষ্ট ৫, ২০৩১ ফাওবা জেলদা লৈগদবনি হায়খি।

লোয়ননা ভিক্টিম নুপীমচা অসিদা পোক্সো এক্ট, ২০১২গী সেক্সন ৩৩ (৮) গী মতুংইন্না লুপা লিশীং ২০গী শেনফম কম্পেন্সেসন ওইনা এপ্রিল ২৬, ২০১৮দা কোর্টনা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না পীখ্রবা মতুংদা লুপা লাখ ১গী শেনফমসু ভিক্টিম অসিদা রিহেবিলিটেসন ওইনা পীননবা খঙহনখি। কম্পেন্সেসনগী শেনফম অসি ভিক্টিম কম্পেন্সেসন ফন্দ নৎত্রগা অতোপ্পা স্কিম নৎত্রগসু সী আর পি সীগী সেক্সন ৩৫৭-এগী মখাদা মণিপুর লৈঙাক্লা ঙসি থোক্লিবা ওর্দর অসি ফংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৩০নিগী মনুংদা পীননবসু কোর্টনা খঙহনখি।

ঙসিগী সেন্টেন্স হিয়ারিংগী মতুংইন্না চহী ১০গী ফাদোক পীরবা ভেন ড্রাইভর অদুগী মমিং ইরোম রাখেস (২৫) অপোকপা আই নাওবা কৌই, লম্বোইখোংনাংখোং মমাঙ লৈকায়দগীনি হায়রি।

## *এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা রাহুল ...*

*লামায় ১গী মখা...* প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ঙসি মরিরকশুবা ওইনা কোংগ্রেস লুচিংবা 'জেদ প্লস' কেটেগোরিদা সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লগা ন্যু দেল্লিগী এ পি জে অব্দুল কলাম রোদতা লৈবা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী হেদ ক্বার্টরদা লাকখি। ঙসি মহাক্লা ঈ দিগী ওফিসতা লাকখিবদু ঙরাং মহাক্কী ৫২শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লবা মতুংদনি। মহাকপু ঈ দিনা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসকী অকোয়বদা মাঙজৌননা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪গী মখাদা অথিংবা থম্লবা মতুংদা য়াম্লবা পুলিস অমদি পেরা মিলিটরি পর্সনেলশিংসু দিপ্লোই তৌখি। অদুগা ঙসি ফাওবদা মহাকপু ঈ দিনা মরিরক কৌদুনা চথুখিবা ৱাহং পাউহংগী অপূনবা পুংশিংনা পুং ৩৫ রোম ওইখি।

অদুম ওইনমক ঙসিসু কেস অসিগা মরী লৈননা ঈ দিনা মঙোন্দা চথুগদবা ৱাহং পাউহংগী থবক লোইশিন্দবদগী হয়েংসু অমুক হন্না অতোপ্পা রাউন্দ অমগীদমক মহাকপু ঈ দিগী ওফিসতা লাক্লবা সমন পীখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসি রাহুল গান্ধীনা ঈ দিগী ওফিসতা লাকখিবা অদু থা অসিগী ১৭তা লাকফম থোকপনি অদুবু মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট তৌদুনা লৈবনা মরম ওইরদুনা নুমিৎ অদুদা মহাক লাকপা ঙমখিদবদগী ঙসি ওইনা লাকখিবনি। অদুবু কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবী সোনিয়া গান্ধী ঙসি সার গঙ্গারাম হোস্পিটালদগী দিসচার্জ তৌখ্রে। অদুবু ডাক্টরশিংনা মহাক য়ূমদা পোত্থাদুনা লৈনবা এদভাইস তৌখি।

মহাকসু ঈ দিনা লৌখৎলিবা মনি লোন্দরিং এক্টকী কেসকা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথুনবগীদমক থা অসিগী ২৩দা দিরেক্টোরেট অসিগী ওফিসতা লাক্লবা সমন তৌখিবনি।

কোংগ্রেসকী মকোক থোংবা লুচিংবা অনীবু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা মখোয়গী ওফিসতা সমন তৌবগী মায়োক্তা লৈবাক শিনবা থুংনা কোংগ্রেসকী থৌমীশিংনা প্রোটেষ্ট তৌবগী খোঙজংশিং চথুখিবনি। ঙসিমকসু ন্যু দেল্লিগী জন্তর মন্তরদা সিনিয়র কোংগ্রেস লিদরশিং অমসুং ৱার্করশিংনা ঈ দিগী থৌওং অমসুং ইনিদয়া লৈঙাক্কী অগ্নিপথ দিফেন্স রিক্রুটমেন্ট স্কিমগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

## সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা অগ্নিপথ স্কিম ...

*লামায় ১গী মখা...* 'অগ্নিপথ স্কিম' অসিগী মায়োক্তা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা ফাইল তৌরকপদগী থোরকপনি।

পূন্না লমায় ৬ পানবা পিটিস্নর এম এল শর্ম্মগী পিটিসন অদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা অগ্নিপথ স্কিম অসি লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্টকী অয়াবা (এপ্রুভেল) য়াওদনা অমসুং লৈবাক অসিগী গেজেট নোটিফিসেন থোক্তনা নম্ফুন্দা চৎনহন্নবা হোৎনরকপনি হায়বসিনি।

মরম অসিনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু চহী ৪ খক্কীদমক আর্মি পর্সনেলশিং ওইনা লৌননবা হোৎনরকপগী থৌওং অসি লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা কন্সটিট্যুসননা অয়াবা পীব্রা হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি। লোয়ননা চহী ৪ খক্কী অগ্নিপথ স্কিম অসিগী মতুংদা মসিদা থবক তৌরুবা অগ্নিভিরশিংগী মরক্তগী চাদা ২৫গী চাংদা খক্তা ইন্দিয়ন আর্মিদা মখা তানা থবক তৌননবগীদমক লৌশিনগনি অদুগা লেমহৌরিবা অগ্নিভিরশিংদুনা চহী ৪গী মতুংদা থবক্তগী পোত্থাবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী আমর্দ ফোর্সেসশিংদা থবক তৌবা য়ারোই হায়বসিনি।

অগ্নিভিরশিংনা চহী ৪ খক্কী মতমদা থবক তৌরিঙৈদা মতিক চাবা শেনফম পীগনি হায়রি। অদুবু চহী ৪গী সর্ভিস মতম লোইরবা মতুংদদি মখোয়দা পেন্সননচিংবগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈরোই হায়বসিনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা চৎলিবা থা অসিগী ১৪ (জুন ১৪, ২০২২) দা অগ্নিপথ স্কিমগীদমক থোকখ্রিবা নোটিফিসেন অদু সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়ানা ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু হায়বসিনি।

তশেংনমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক মখাদা লৈরিবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি ইল্লিগেল ওই অমসুং কন্সটিট্যুসননা য়াদবা অমসুং মসিগী মায়োক্তা লৈবা খোঙথাংনি হায়বসিনি। মহৌশাদগী হৌনা লৈবাক অসিদা চৎনরক্লিবা আর্মদ ফোর্সেসশিংগী লিক্লমগী মতুংইন্না পর্মিনেন্ট কম্মিসন অমগী খুত্থাংদা আর্মদ ফোর্সেসতা চঙলকপা মীওই অমনা মশাগী চহী ৬০ ফাওবা লৈবাক অসিগীদমক মথৌ পাঙথোকপা য়াই অদুগা শোর্ট সর্ভিস কম্মিসন (এস এস সী) গী খুত্থাংদা চঙলকপা ওফিসর অমনা আর্মিদা জোইন তৌরবা মতুংদা কম্মিসন্দ ওফিসর অমা ওইনা চহী ১০দগীনা ১৪ ফাওবগী মতম থবক তৌবা য়াই।

অদুবু হন্দক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হৌদোরক্লিবা অগ্নিপথ স্কিম অসিনা লৈবাক অসিগী নহারোলশিংবু অগ্নিভিরশিং ওইনা রিক্রুট তৌরবা মতুং চহী ৪ খক শীজিন্নরগা মখোয়গী মনুংদগী চাদা ২৫না মখা তানা আর্ম ফোর্সেসতা লৌশিলহৌরগা লেমহৌরিবা চাদা ৭৫গী শরুক্লা লংথোরক্কনি হায়বনি হায়রি।

মরমশিং অসিদা হন্দক্কী ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী অমসুং মীয়ামগীদমক আর্ম ফোর্সেসশিংগী পর্সনেল অমমম ওইনা মথৌ পাঙথোক্লিংলিবা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী অনীংবা পূন্নমক থুগাইরে হায়রি।

লোয়ননা অগ্নিপথ স্কিমগী মায়োক্তা ত্রেনশিং মৈ থাদোকপা অমসুং নেসনল হায়ৱেনচিংবা থিংজিনবগী খোঙজংশিং মফম খরদা চথুনরকপদগী লৈবাক শিনবা থুংজিল্লক্লে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লি।

পনবা য়াবদি, হন্দক মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সনা অগ্নিপথ স্কিম থবক্তা ওন্থোরক্লগনি হায়দুনা হৌদোরকপগী মায়োক্তা পাক্তক্লনা থোরক্লিবা ভাইওলেসন্সকী থবক থৌরমশিং অমসুং মীয়ামগী লন থুম মাঙহনবা য়াওনা রেলৱেনচিংবা মৈ থাগৎলকপা থবক অসিগী মতাংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমা শেল্লগা থিজিনহনবীয়ু হায়বগী পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমসু হৌজিক সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ফাইল তৌরক্তনা লৈরিবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০২০দা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংলক্লিবা লৈঙাক্লা সেপ্টেম্বর ২০২০দা পার্লিয়ামেন্টতা ফার্ম বিল ৩ পুথোক্লগা নম্ফুন্দা চৎনহন্নবা হোৎনরকখিবা অদুগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী লৌমীশিং য়াওনা মীপূম খুদিংমক্লা অকনবা মওংদা প্রোটেষ্ট তৌরকপদগী মমাঙগী কুমজা ২০২১গী নবেম্বর ১৯দা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্লা ফার্ম বিল ৩ হন্দোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা লাল্লে হায়জখিবনি।

## কাংপোকপী পুলিসনা মীওই ...

*লামায় ১গী মখা...* পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱার ওন দ্রগস শৌগৎপগী কেম্পেন অসি মহাক্কী মখাদা এদিসনেল এস পি (এল ও) অবদুল কলাম, এদিসনেল এস পি (ওপস) থোলু রোকি অমসুং কাংপোকপীগী ও সী ইন্সপেক্টর সুনিলকুমারগী মখাদা চঙশিল্লকপনি হায়খি।

হায়ৱে পরিংদা য়াম্লবা দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌগদৌরে হায়বা পাউদগী সব ইন্সপেক্টর অনীনা কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী গেটতা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং চথবদা বোলেরো এ এস-১২/ঐচ-১৪৮৫ অমা খামদুনা চ্যেক তৌবদা গাড়ী অসিদা সেনাপতিগী লাই ভিলেজদগী পি শারিনি মিক্রি (৫৬) অপোকপা পুনি অমসুং পাওতিনমাং খোংসাই (২১) অপোকপা থাংলেন খোংসাই কৌবা তেংনৌপল সব দিভিজনগী সোংপিজাং ভিলেজদগী মীওই ২ য়াওরমখি। মখোয়বু ৱাহং পাউহং চথবদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌই হায়বা মশানা য়ানীংখিদে। অদুম ওইনমক পুলিসকী মায়কৈদগী চেকশিন্না চ্যেক তৌরুবদা গাড়ী অসিগী ওই থংবা ফুট বোর্দকী মখাদা বোক্স অনী খক্তা য়াম্লবা দ্রগশিং অসি হাপ্লগা পুরম্বনি হায়রি। মখোয়গী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১ (সী), ২৯/৬০ (৩) গী মখাদা কেস এফ আই আর নম্বর ২৩ (৬) ২০২২ লৌখৎপগা লোয়ননা জে এম এফ সী, কাংপোকপীদা পুথোক্লবা মতুংদা থা অসিগী ২৭ ফাওবা পুলিস কষ্টদিদা রিমান্দ লৌরে হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা মার্চ ৩০ অমসুং এপ্রিল ২২দসু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিনা তোঙান তোঙানবা মফম অনীদগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা ক্রোর ৫৮.৯৫ রোমগী ওইগদবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মায় পাক্লা ফাগৎখ্রবনি।

## সঙাই সর্ভিসেস প্রাইভেট...

*লামায় ১গী মখা...*মণিপুর মচা অমত্তনা অচৌবা বিল্ডিং শাদুনা ফিনিসিং লোইশিনবা ফাওবা থম্বা থেংনদ্রি। মপান্দগী লাকপা টাইলস নপ্পা কয়াগী মহুৎ শিনবা মণিপুর মচানা ঙমদ্রি। ঐখোয়সি য়াম্না নুংঙাইবা পান্বা খজিক্তং তাল্লগা এদভান্স লৌথোক্তুনা নুংঙাইথোক্লে খনবা ৱাখলশিং চীং অমসুং তমদা হোংদোকপা ঙমদ্রি। দিগ্নিটি লেবর হায়রগা শুট-টাই তৌবা ঙাক্তা ওইনা খল্লিবসি লাল্লি হায়খি।

হান্না লৈরমদবশিং লৈরক্লে। ইন্দিয়া থুংনা চৎলে অদুবু মণিপুর মচা কয়া অমা ফাইভ ষ্টার হোটেলদা রিসেপ্টস্নিষ্ট ওইবা, সোপিং মোলদা থবক তৌবসু য়াওরে। চাওখ্রবা দেল্লী সিটিগী মী ক্রোর ২.৫গী মনুংদা মণিপুর মচা ময়াম থবক তৌরকপসিদা মণিপুর মচাশিংনা নোংমদা পূন্না ছুটি লৌখিবদা দেল্লীসু ছুটি ওইগনি হায়রক্লবা মতমনি। মখোয়গী তোলোপ থাদা লুপা লিশীং ১৫ ফংই। য়ূমদা লিশীং ১২ থাবা ঙম্মী হায়রি। মণিপুরদদি থবক চঙবদা লুপা লাখ ২০ য়াওদ্রবদি য়াদে, পীনীংঙাই লৈতবনসু য়াল্লি হায়খি। মসি পূন্নমক ইন্দষ্ট্রি, ফেক্টরি অমদি মেন প্রোভাইদর লৈতবদগীনি। মরম অসিনা সঙাই সর্ভিসেসনা পীরিবা জোব সেন্টর খরা লৈগদবনি। অৱাবা থেংনবা হায়বসি মীওইবগী এক্সপরিএন্সনি। ওন্ত্রপ্রেন্যুর খরা হেন্না থোরকপা চঙলি হায়খি।

থৌরম অদুদা সঙাই সর্ভিসেসকী চ্যেরমেন কৃষ্ণদেব লৈতোনবম (য়োইলেন) না থৌরম মপু ওইখি। য়ু সী এমগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি দেব মীতৈ, সোসল এক্টিভিষ্ট ডা. কিরনকুমার য়েন্দ্রেম্বম, ইলিট টি ভিগী এনকর টি হরিপ্রিয়া অমসুং রিজনেল ইন্দিয়ন লেংগ্বেজ এন্দ রিসর্সকী প্রোফেসর থোকচোম চন্দ্রমনিসু অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## থৌবাল ১সুং তেংনৌপল পুলিসতা...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরনা মথংশিৎনা লুপা লাখ ৮ অমসুং ৭কী শেলগী মনা পীখ্রে।

শেলগী মনাশিং অদু ঙসি চীফ মিনিষ্টর মশামক্লা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি জোগেসচন্দ্র হাওবিজম অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি, বি গোলিয়ানমাংদা খুৎশিন্নখিবনি।

শেলগী মনাশিং খুৎশিন্নরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, ঙসি পীরিবা শেলগী মনাশিং অসি ৱার ওন দ্রগস কেম্পেনগী মখাদা পুলিস টিমশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোকপদগী ফংলকখিবা মায় পাকপশিংবু শকখঙদুনা পীবনি। মণিপুরদা হৌখিবা চহী ৫ রোমদা দ্রগকা মরী লৈনবা থৌদোকশিং থোরক্লি হায়রদুনা মণিপুরদা অমসুং মসিগী ৱাংমদা দ্রগ পুথোক পুশিন তৌবা খক্তা নত্তনা হৌজিক্তি দ্রগ শুংনবা ফেক্টরিশিং চলাইরম্বসু থেংনরে হায়রদুনা মসিমক্তি দ্রগকা মরী লৈনবা মীপাইনীংঙাই ওইবা ফীভমনি হায়খি। অদুবু মীয়ামগী মতেং অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টনা কন্না হোৎনবদগী লৈঙাক্লা দ্রগ ট্রাফিকিং অমসুং মসিবু শীজিন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা চথুরক্লিবা কেম্পেন অসি মায় পাকপরোমদা চঙশিল্লক্লে হায়রদুনা দ্রগকা মরী লৈনবা ইস্যু অমত্তদা লৈঙাক্লা য়াশিন্নবা তৌরোই হায়দুনা লেপ্পি হায়খি।

হৌজিক্কী ওইনা দ্রগকী মায়োক্তা মায় পাক্লা চঙশিল্লকপা পুলিস টিম পূন্নমক মনা পীবা ঙমদ্রগসু থবক অসিদা কত্থোকপগা লোয়ননা মথৌ পাঙথোক্লিবা পুলিসশিংবু লৈঙাক্লা মশক খঙই হায়খি।

অদুম ওইনমক ইল্লিগেল দ্রগকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা পুলিস পর্সনেল খরা চেন্নরকপবু মহাক্লা পেন্দবা ফোঙদোক্লদুনা মখোয়না মথৌ নিংথিজনা পাঙথোক্লিবা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মশক থীহন্নবা হোৎনরে হায়খি। মরম অসিনা দ্রগ শীজিন্নবা অমসুং দ্রগকা মরী লৈনবা পর্সনেলশিং খনদাকপগী মথৌ তারে হায়রদুনা দ্রগ শীজিন্নরম্বশিংনা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থম্বা নৎত্রগা ৱার ওন দ্রগসকী থবকশিংদগী মখোয়বু লাপ্পা থমগনি হায়খি।

ঙসিগী শেলগী মনা য়েম্থোকপগী থৌরম অদুদা দি জি পি, পি দোঙেল অমসুং পুলিসকী সিনিয়র ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

## থা ৩গী মনুংদা লৌমীশিংদা মেছিন্নরি ১সুং ইক্বিপমেন্টশিং ...

*লামায় ১গী মখা...* পীবিদ্রে হায়দুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাকৎলকপদগী কোর্টনা লৌমীশিংগীদমক য়েংলদুনা পীখিবা শীংথানীংঙাই ওইরবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমদা থা ৩গী মনুংদা বেনিফিসরিশিং ওইনবগীদমক খনগৎলবা লৌমীশিংগী মরক্তগী অচুম্বা/অশেংবা লৌমীশিং খন্দোক্তুনা পীফম থোক্লিবা স্কিম অসিগী শেন্থংশিং পীননবা লৌউ-শিংউ লোয়শঙদা খঙহনখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌমীশিংগী অচুম্বা ৱাকৎ তারবা মতুংদা মখোয়গীদমক য়েংলদুনা পীখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু মমাঙ থাগী ১৩দা কোর্ট অসিদা লৈরম্বদগী হৌজিক্লা ট্রান্সফর তৌখ্রবা জষ্টিস লানুসুংকুম জামিরগী বেঞ্চনা পীরম্বনি।

কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অদুনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা খঙহল্লিবা ৱাফমদি এগ্রিকলচর লোয়শঙগী এস এম এ এম স্কিম, ২০১৭-২০১৮গা মরী লৈননা ৱাকৎলক্লিবা পিটিস্নরশিং অসি ফার্মর অমসুং কলটিভেটরশিং ঙাক্তনি। পিটিস্নরশিং অসিনা এস এম এ এম স্কিম-২০১৭-২০১৮গী মখাদা মখোয়গী মথৌ তাবা ট্রেক্টর, পৱার টিল্লর অমসুং রোটাভেটরনচিংবা মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং লৈনবগী শেন্থং পীবিনবা এপ্লাই তৌখিবনি হায়বসিনি।

লৌমীশিংগী মায়কৈদগী স্কিম অসিগী মখাদা মখোয়গী মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং লৈনবগী শেন্থংগীদমক এপ্লাই তৌরকপদগী হায়রিবা কুমজা ২০১৭-২০১৮গী স্কিম অসিগী মখাদা দিষ্ট্রিক্ট/দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংগী লিষ্ট অমা লৌউ-শিংউ লোয়শঙনা ফোঙদোকখি। হায়রিবা লিষ্ট অদুদা কেস অসিবু ফাইল তৌরকপদা য়াওরিবা পিটিস্নর খরসু বেনিফিসরিশিংগী লিষ্ট অদুদা য়াওখি। অদুবু পিটিস্নরশিংনা মায়োক্লরিবনা মখোয়গী মমিংশিং স্কিম অসিগী কুমজা ২০১৭-২০১৮গী বেনিফিসরিশিংগী লিষ্টতা য়াওরবসু হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী মথৌ তারিবা মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং অসি লৈনবগী পীফম থোকপা শেন্থংশিং পীবিদ্রে হায়বসিনি।

পিটিস্নরশিংগী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা কেস অসিগী অপূনবা রেসপোন্দেন্ট ৩গী মনুংদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ অমসুং ২ ওইরিবা এগ্রিকলচর লোয়শঙগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং এগ্রিকলচর দিরেক্টরগী মায়কৈদগী কোর্টতা কাউন্টর এফিদেভিট ফাইল তৌরক্তুনা ফোঙদোরক্লিবনা এস এম এ এম স্কিম-২০১৭-২০১৮ অসি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অশেংবা অচুম্বা লৌমীশিংদা মখোয়গী এগ্রিকলচরেল প্রদক্সনশিং হেনগৎহন্নবগী মীৎয়েংদা পায়খৎপনি। মসিগীদমক লৌমীশিংগী ট্রেক্টর, পৱার টিল্লর অমসুং রোটাভেটরনচিংবা লৈনবগী এপ্লাই তৌরকপশিংগী মনুংদগী অশেংবা অচুম্বা লৌমীশিংদা শেন্থং পীদ্রিঙৈগী মমাঙদা ভেরিফাই তৌগদবনি হায়বসিনি।

অদুবু স্কিম অসিগী মখাদা মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং লৈনবগীদমক এপ্লাই তৌরকখিবশিংগী মনুংদগী হায়রিবা মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং অদু লৈবগী বিল/ভাওচর অমসুং অতৈ দোক্যুমেন্টনচিংবশিং তশেংনমক ইক্বিপমেন্ট/মেছিন্নরিশিং অদুদি লৈদনা পুথোরকপা য়াওরে। অসিগুম্বা শেমজিন শাজিনবা বিল/ভাওচরশিং অসি ফার্ম ইক্বিপমেন্ট সপ্লাইয়র/এজেন্টশিংগা লৌতুনরগা হায়রিবা স্কিম অসিগী মখাদা তশেংনমক ইক্বিপমেন্ট/মেছিন্নরিশিংদি লৈদনা স্কিম অসিগী মখাদা ফংফম থোকপা সবসিদিগী শেনফমশিং ফংননবা হোৎনরকপনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মরম অদুনা সবসিদিগীদমক ক্লেম তৌরদুনা পীশিন্নরকপা শেমজিন শাজিনবা দোক্যুমেন্টশিং অসি ভেরিফাই তৌবগী মথৌ তাই। অদুগা করিগুম্বা ভেরিফিকেসনগী থবক অসি দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসরনা পাঙথোকপা মতমদা অশেংবা অচুম্বা লৌমীশিং য়াওরম্লগদি মখোয়দা পন্থুদনা স্কিম অসিগী সবসিদিশিং পীগনি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল রোসেলিননা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্টশিং ওইরিবা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী মকোক থোংবা ওফিসর ৩গী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট সুকুমারনা লেপখি।

কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী কাউন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি/কম্মিস্নর/সেক্রেটরি অমসুং এগ্রিকলচর দিরেক্টরদা স্কিম অসিগী মখাদা মেছিন্নরি/ইক্বিপমেন্টশিং লৈবদা শেন্থং পীবিনবগীদমক এপ্লাই তৌরক্লিবা লৌমীশিংগী মতাংদা চপ চাবা ভেরিফিকেসন/ইনক্বারি চথুরবা মতুংদা কোর্টনা ওর্দর অসিবু পীখিবা মে ১৩, ২০২২দগী পারগা থা ৩গী মনুংদা অশেংবা অচুম্বা লৌমীশিংদা স্কিম অসিগী মখাদা মখোয়গী ইক্বিপমেন্ট/মেছিন্নরিশিং লৈবদা পীফম থোক্লিবা ফাইনান্সিএল এসিষ্টেন্ট অদু পীননবা খঙহনখিবনি।

পনবা য়াবদি, কোর্টনা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংদা মমাং থাগী ১৩দা ওর্দর অসি পীখ্রবসু থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী থা অসিগী ৩দা কোর্টতা ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা মরী লৈনরিবা লৌউ-শিংউ লোয়শঙগী রেসপোন্দেন্টশিংদা লিগেল নোটিস অমসু পীদুনা কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অসিগী মতুংইন্না থবক্তা ওন্থোক্লবা খঙহনখিবসু লৈরে হায়রি।

কেস অসিগী নম্বর রিট পিটিসন (সিভিল) নম্বর ৭২০ ওফ ২০১৮নি। কেস অসিগী পিটিস্নরশিংনা ককয়াই মমাঙ লৈকায়দগী অহোংশাংবম অচৌবী (৫৮) মপুরোইবা এ বাবু, তাকয়েল খোংবাল থৌদামদগী থৌদাম নিংঙোল পেবম ওংবী সোমোলা (৪৯), নোংথোংবম প্রেমকুমার (২৯), মালোম তুলিয়াইমদগী খুন্দোংময়ূম অঞ্জু (৩৩) অপোকপা কে ঐচ রাবৈ মৈতৈ, খ্বাই ব্রহ্মপুর নাগামপালদগী শামুরাইলাৎপম বিনাশখি (৫৫) মপুরোইবা লৈখিদ্রবা এস ঐচ জয়চন্দ্র, হৈনৌবোক মমাঙ লৈকায়দগী থোঙাম মিলন (২২), মোইরাং কম্পুদগী খুম্বোংময়ূম মেমথোই চনু (৩৫) অপোকপা কে ঐচ তোম্বা, শীংজমৈ য়ূম্নাম লৈকায়দগী লাইশ্রম বিনোবলা চনু (৪৩) মপুরোইবা এল রোমিও, লৈশ্রাম ময়ায় লৈকায়দগী জোসনা নিংথৌজম (২৩) অপোকপা এন বিরেন অমসুং মোইরাং লৈজুবম লৈকায়দগী হেমাম সনাতোম্বী (৪০) মপুরোইবা ঐচ বিশ্বরজিৎনি।



HL-P/2391/30 April to 22 June